**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 10-04-2026)**

**কার্ফিয়ু(এল)ঃ** ইন্ফাল ইষ্ট, ইন্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী অয়ুক পুং ৯ ফাওবা কাফিয়ু কোমথোক্লিকৈঙে মতম অসিদা হৌজিক মীয়ামনা মনাক নকপা কৈথেলশিংদা থোরক্তুনা নোংমগী তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং লৈনরি।

ইন্ফালগী মরুওইবা কৈথেলশিং অমদি অতোপ্পা জিলাশিং অসিগী মরুওইবা কৈথেলশিংদা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মীয়ামনা পোৎ-চৈ লৈনখি। কার্ফিয়ু কোমথোক্লিকৈঙে মনুংদা অসিদা ওইল পম্পশিংসু হাংনরি।

**খোঙচৎ(এল)ঃ** ত্রোংলাউবী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা হৌখিবা অহিংদসু মফম কয়াদা মীয়ামনা খোঙজং চংশিন্নখি।

মশিং য়াম্লবা নুপীশিংনা মখুৎতা মৈরা পায়দুনা চৎখিবা ৱাকৎ খোঙচৎশিং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মীচম হাৎপা য়ানিংদে, থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিং মতিক চাবা দন্দি পীয়ু অমসুং ঐখোয় শান্তি পাম্মী হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউনখি।

ইন্ফাল ইষ্ট জিলাগী পৌরাবী পুখ্রি অচৌবদগী হৌরগা শওম্বুংলোমদা লমদম অদুগী মশিং য়াম্লবা নুপীশিং থোরক্তুনা মৈরাগী খোঙচৎ অমা চৎখি। ত্রোংলাউবী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোকপা খোঙচৎ অদু পৌরাবী লমজিং নুপী মরুপ অমসুং পৌরাবী মৈরা পায়বীনা শিনদুনা চৎখিবনি হায়রি।

**ডে(এল)ঃ** ঙসি ৱার্ল্ড হোমিওপেথি ডেনি। ১৮ শুবা চহি চাদা হোমিওপেথিগী লাইয়েং পথাপ হৌদোক্লকম্বা জর্মনগী ফিজিক্সিয়ান শামুয়েল হানেমনগী মপোক নুমিৎতা পালন থৌরম অসি চহি খুদিংগী পাঙথোক্লি।

ৱার্ল্ড হোমিওপেথি ডেগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্নবা উন্নবা অমদা রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ আয়ুসকী জোইন্ট দিরেক্তর (আয়ুস) ডা: য়েংখেম সেবাশ্বারি দেবীনা হায়-চহি ২৭১ রক শুবা ওইনা পাঙথোক্লিবা কুমশি চহি অসিগী পালন থৌরম অসিগী হীরমদি-'হোমিওপেথি ফোর সসটেনেবল হেলথ' হায়বসিনি। মীওইবগী হকচাং ফনা লৈহন্নবা হোৎনবদা হোমিওপেথি লায়েংগী তোপ তোপ্পা মফম অমা কন্দুনা লাক্লি। লায়েং পথাপ অসিগী হিদাকশিং অসি পীক্লিবা অঙাংদগী হৌরগা অহল ফাওবনা শিজিন্নবদা হকচাংদা শোকিংঙাই অমত্তা লৈতে।

মহাকা হায়-আয়ুস দাইরেক্তোরেটকী মখাদা লমফেলদা লৈবা ফমুং ৫০ লৈবা আয়ুস হোস্পিতাল, কৈরাও, মোরে, শিংজমৈ, কোঞ্জেংলৈকাই, থৌবাল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালশিংদা হোমিওপেথি লায়েংগী খুদোংচাবশিং পীরি। মসিগী মথক্তা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির ১২ দসু হোমিওপেথি লায়েংগী খুদোংচাবশিং ফংহল্লি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী শান্তিপুরদা কুকি জোগী মীওই অহুম নোংমৈনা কাপ্লম্লে হায়বা ৱাহৌদগী কমিতি ওন ত্রাইবেল য়ুনিতি (কোটু) না নেসনেল হায়ৱে টু য়াওনা কাংপোকপী জিলাদা পুং ২৪ গী সটদাউন্দ তৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু তোকখ্রে।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমীনা কোটুগী পাড পল্লদুনা হায়-কাংপোকপীগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা য়ান্নবা পুরক্তুনা সটদাউন্দগী খোঙজং অদু হন্দোকখিবনি।

অমরোমদা, থৌদোক অদুগী মতাংদা মনিপুর পুলিসনা হায়-থা অসিগী ৮ গী নুমিদাং পুং ৯ মখায়রোম তারকপা অদুৱাইদা ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী নম্বর ওইবা মীওই অহুম তোংবা সেব্রোলে ক্রুজ অমগা মীওই অমা তোংবা অলতো কার অমগা কাংপোকপীরোমদগী সেকমাইরোম তমা লাক্লগা কংলাতোংবী থোংদা

গাড়িশিং অদু শিন্নদুনা থৌদুনা য়েংনখি। মদুদা সেব্রোলে ক্রুজ অদু নালাদা তাশিনদুনা এক্সিদেন্ট থোকখি। তঞ্জা অদুদা শান্তিপুর মনাক্তা লৈবা কংলাতোংবী হিন্দি হায়স্কুলদা হাংদোকপা সেক্যুরিতি চেক পোইন্টতগী পুলিস পার্সোনেলশিং চংশিল্লকখি। মতমদুমক্তদা অলতো কার অদু য়াংনা থৌজিল্লকপদগী পুলিসনা খামবা হায়বদা য়াদদুনা মথৌ তৌরিবা পুলিস পার্সোনেলশিং অদু তমা থৌজিল্লকখি। মদুগা লোয়ননা মীওইশিং অদু কাংপোকপীরোমদা নাস্থোক্তুনা চেনখিনবা হোৎনখি। থোক্লিবা থৌদোকশিং অদুদা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং অদুনা চিংনবদগী মখোয়বু লেপহন্নবগীদমক কার অদুগী টয়ারদা নোংমৈনা কাপখি। অদুমওইনমক, কার অদুদি খাম্লমদনা অদুম্মক নাস্থোক্ত্না থৌখ্রে।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা অলটো কারগী দ্রাইভর-লেনখোগীন তুবোই কাংপোকপীগী মীসন হোস্পিতালদা পুদুনা লায়কন্নখি। সেব্রোলে ক্রুজগী দ্রাইভর-জাংগীনগেং খোংশাইবু ফাদুনা গামনোম সপরমৈন্যা পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখি। মীওই অদু দরকার লৈবা ফোরমেলিতিশিং লৌখৎলবা মতুংদা থাদোকখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা এফ.আই.আর. অমা লৌখৎতুনা থিজিনবগী থবক চথরি হায়রি।

মথৌ তৌরিবা পুলিস পার্সোনেলশিংদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা অতমনা শিংনরকখিবা থৌওংশিং অদুদগী থৌদোক অসি থোকখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা শেমজিন শাজিনবা অরানবা পাউশিংদা থাজবীদনবা মনিপুর পুলিসনা আপিল তৌরি।

**পুলিস (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অহল্লুপ মখা লৈকাইদগী মনিপুর পুলিসনা ঙরাং কার্ফিয়ুগী অথিংবা থুগায়বা মীওই মঙা ফাগৎখি। মখোয়শিং অদু পুলিস পার্সোনেলশিংদা অশোক অপন থোকহন্নবা হোৎনবা অমদি খুৎলায় লাকবা হোৎনরম্বগী মরালদা ফাগৎপনি হায়রি।

অমরোমদা, সেনাপতি জিলাগী মনুং চনবা টি-খুল্লেন নাকা চেক পোষ্টতগী

ডব্লিয়ু.ৱাই.টেব্লেত কিলোগ্রাম অমা গ্রাম ২২০ গা কোন্ননা মীওই অনি সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ফারে। ফারবা মীওইশিং অদু নোর্থ ত্রিপুরাগী ধরমানাগর জিলাদগীনি হায়রি। মখোয়দগী হুন্দাই আই.টি. কার অমসু ফাগৎলে।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ডাক্তর কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চত্থরকপা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভরসিতি থাং-তা কম্পিটিসনদা মনিপুর য়ুনিভরসিতি কাঞ্চিপুরনা নুপাগীদা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন অমসুং মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরনা রন্নরস অপ তারকপদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

ঐখোয়গী চেম্পিয়নশিংদা নুংঙাইবা ফোংদোকচরি হায়না থাদোরকপা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱারোল অমদা হায়-অথোই অহেন চাংদমবা অসিদা মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরনা নুপীগীদা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইরকপা লোয়ননা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভরসিতি ইম্ফালনা রন্নর অপ তারকপদসু নুংঙাইবা ফোংদোকচরি। মনিপুরগী অরীবা মার্সেল আর্টস-থাং তাবু ঐখোয়গী হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা থৱায় য়াওনা অমদি য়ামা হৈথোই শিংথোইনা শান্নবা অসি উবদা মুখ্য মন্ত্রিনা অপেনবসু ফোংদোক্লি।

**মিশ্রিঃ** আমেরিকাগী খোঙচৎতা লৈরিবা ভারতকী ফোরেন সেক্রেটরি-ব্রিকম মিশ্রিনা আমেরিকাগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট-মারকো রুবিয়োগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

হ্বাইট হাউসতা ৱারী শান্নখিবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা মরুওইবা লমশিংদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফমশিং খন্নখি। নাকল অনিমকা ভারত অমসুং আমেরিকাগী লৈনরক্লিবা মরি হন্না য়েংশিনবগা লোয়ননা লল্লোন ইতিক, ক্রিতিকেল মিনরেলস, দিফেন্স কোওপরেসন অমসুং ক্বাদ ফ্রেমৱার্ককী মতাংদসু কুপা খন্ন-নৈনখি। উন্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা ভারত্তা লৈবা আমেরিকাগী

এম্বাসেদর-সরভিয়ো গোরনা হায়-ৱারী শান্নবা অদু মাংলোমদা চংশিনমীন্ননবগী ৱাখল্লোনদা মহে য়ানবা অমা ওইখি। মথং থাদা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট শ্রী রুবিয়ো ভারত্তা লাক্লবা য়াই হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

**জয়শঙ্করঃ** ভারতকী মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-ভারত অমসুং মাওরিসসকী মরুপ-মপাং ওইবগী মরী অসি হৌখিবা চহি খরা অসিদা শিংথানিংঙাই ওইনা মাংলোমদা চংশিল্লি।

পোর্ট লুইসতা মাওরিসসকী প্রধান মন্ত্রি-নবিন রাম গুলামগা উন্নদুনা ৱারী শারবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ডা: জয়শঙ্করনা হায়-উন্নবা অদুদা সমুদ্রগী লমদা তেংবাং পীনবা, চাউখৎ থৌরাংগী লমদা চংশিনমীন্নবা, হেলথ, এদুকেসন, কেপাসিতি বিল্ডিং অমসুং লৈবাক অনিগী মীয়াম মরক্তা হেন্না ফবা মরী লৈহন্নবগী ৱাফম কয়া খন্নখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চীফ মিনিস্তরনা চেয়ার লৌদুনা ত্রোংলাউবীগী থৌদোক্কী মতাংদা ওইরক্লিবা ফিভম সেক্যুরিতি মীতিং পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা পাউ, তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা অতৈ পাউ চেশিংদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

এন.আই.এনা থিজিনবা হৌখ্রে। মীয়ামগী খোঙজং লেপ্তুনা চথরি হায়না পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কার্ফিয়ু লৈরবসু খোঙজংশিং চংশিন্নখি। পুলিসকা চাউনা মুকখি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল অমসুং থৌবালদা ঙরাং নুমিদাং মৈরা খোঙচৎ চৎখিবগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি। টেরোরিষ্টশিংনা ইশাগী

য়ুমদা চংল্লক্লগা পীক্লিবা অঙাং হাৎলবা ফাওবদা লৈঙাকা করিগী নিংঙাইদনা লৈরি হায়না অৱুংসি তাংখুলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

চীফ মিনিস্তরনা থল্লকপা ৱাফম পেন্নখিদ্রে, মীয়ামনা চংশিনখিবা খোঙজং মশিং য়াল্লবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থিংদুনা চৎহনখিদ্রে হায়বা পাউ সনা লৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

দিল্লিদা লৈবা মীতৈ সি.এস.ওশিং অমসুং মহৈরোই লুপশিংনা অঙাং হাৎপা য়ানিংদবা ফোংদোরকপা, মতিক চাবা এক্সন লৌখৎনবা হায়খিবা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ত্রোংলাউবী মীহাৎকী কেস সরকারনা লুমা লৌই হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মনিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ত্রোংলাউবী থোদোক্কা মরী লৈননা ইমুং মনুংনা মরী লৈনবা মীওইশিং নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা ফাবীয়ু হায়খিবা ৱাফম গানফিয়ু মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং তাইমসতা-ত্রোংলাউবী থৌদোক্কা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা সেক্যুরিতি মীতিং কৌখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কোটুনা পুং ২৪ সটদাউন্দ তৌগনি তৌরম্বা অদু হন্দোকখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।